# সনালৈবাক স্পোর্টস

SATURDAY, JANUARY 04, 2014, PAGE 7




ৱাইল্ড কার্দতা চঙলকখিবা
ইন্দিয়াগী ভমব্রি ফিরবিয়ো
পোগিনিগী ময়োক্তা বোল হনবা

আর্জুন এৱার্দকী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম
এফিয়ারসনা চহিসিগী ওইনা খনগৎলবা
শান্নরোইশিংদা পীগদবা ট্রোফি



## স্পোর্টস মিনিষ্টরনা আর্জুন এৱার্দকী গাইদ লাইন লাউথোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৩ঃ* চহি খুদিংগী লৈবাক অসিগী অফবা শান্নরোইশিংদা পীবা আর্জুন এৱার্দ অসিদা নুংঙাইতবা কয়া থোক্তনবগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা এৱার্দ ফংবা য়াবশিং খন্নবগী গাইদলাইন অমা লাউথোকখ্রে।

গাইদলাইন অসিগী মতুং ইন্না শান্নরোইশিং অদুনা ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়নশিপ্তা অমদি ওলেম্পিক (সম্মর, ৱিন্টর অমদি পেরালেম্পিক), এসিয়ান গেমস অমদি কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা মেদল ফংলকপগা লোয়ননা চাদা ৯০ গী চাংদা থাক ৱাংনা ফংলকপা শান্নরোইশিং অদুনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ওলেম্পিক অমদি পেরালেম্পিক্তা মেদল ফংলকপা শান্নরোইশিং অদু রজিব গান্ধী খেল রত্ন এৱার্দকী খন্নবা নত্রগা আর্জুন এৱার্দকীদমক্তা খনগৎপা হায়বসি মশানা তারবা নিয়ম অমনি। অদুবু মখোয়না ফংলক্লিবা মেদল অদুগী মতুং ইন্না খন্নগনি। শান্নরোইশিং অদুগী মনুংদগী মেদল ২ গী মথক্তা ফংলকপশিং অদুদা হেন্না খুদোংচাবা ফংগনি। মসিদসু নত্তনা ওলেম্পিক নত্তবা অতোপ্পা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নত্রগা ৱার্ল্ডকপ অমদি চহি মরি মরি কান্নরগা পাঙথোকপা এসিয়ান গেমস অমদি কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকীনা সেলেক্সন কম্মিটিনা খনগৎকনি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নত্রগা ৱার্ল্ড কপতা মেদল ফংলকপা স্পোর্টপার্সনশিং অদুদা মেক্সিমম ওইনা মার্ক ৯০ পীগনি। মসি শান্নরোই খুদিংমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা থমগনি। মশান্না খুদিংমক্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নত্রগা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিংদা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমগনি। মসিগী মথক্তা মখোয় মখোয়না লৌরক্লিবা মেদল অদুগী মতুং ইন্না সেলেক্সন কম্মিটিনা চাদা ১০ গী মার্ক অমসু হাপচিনগনি।

চেরোল অদুনা মখা তনা ফোঙদোক্লদুনা ফিজিকেল চেলেঞ্জ ওইরবশিংদা অমদি নুপীশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি। লোয়ননা মেদল ফংলক্লিবশিং অদুনা থৌদাং টিম স্পিরিট, কেপ্তেইন, ফেয়ার প্লেনচিংবশিং অসিগী মতাংদসু কুপ্পা খন্নগনি।

ক্রিকেট অমদি ইন্দিজেনস গেমশিংগীদি সেলেক্সন কম্মিটিনা লৌরকপা ৱারেপকী মতুং ইন্না এৱার্দ অসি ফংবা য়াবা মীওইশিংনা ইন্দিজেনস গেম অমদি ক্রিকেটতা লৌখিবা থৌদাং অদুগী মতুং ইন্না খাইদোক্কনি। শান্নরোইশিংনা ইন্দিভিজুয়েল ওইনা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুসু কুপ্পা খন্নগনি।

চহি অমগী ওইনা এৱার্দ অসি ফংবা য়াবা মীওই ১৫ দা পীনবগী থৌরাং লৌখৎনবগী ৱাফমসু মিনিষ্টরগী চেরোল অদুনা মখা তারি। সেলেক্সন কম্মিটিনা খনগৎলবা মীওইশিং অদুখক্তদা আর্জুন এৱার্দ অমদি খেল রত্ন এৱার্দ অসি লাউথোক্কনি। সেলেক্সন কম্মিটিনা মীওই ৪ দগী হেনবা নুপা নত্রগা নুপীশিংনা দিসিপ্লিন অমদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবসু সেলেক্সন কম্মিটিনা খন্নগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## টোম মেগ কেন্না তোপ সভেনন্টিনগী লিগতা শরুক য়াগনি

*মুম্বাই, জনুৱারী ০৩ঃ* অমেরিকাগী টোম মেগ কেন্না সুপর ফাইট লিগ সভেন্টিনদা মায় পাকপা ঙমখ্রে। মহাক্না ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা কিক বোক্সিংগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অনুপ কুমারবু মায়থিবা পীরমখিবনি। অনুপ কুমারবু মহাক্কী কিকনা বেন্তম ৱেটকী মেটচ অদুদা য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পীরমখি। মহাক্না শুপ্নগী পোইন্ট ৪–১ দা মায় পাক্তুনা মখা তাবা মেটচতা চঙখিবনি।

কিক বোক্সিংগী মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানশিংনা মখোয় মখোয়গী হৈশিংবা কয়া অদু উৎতুনা মখোয়গী ওপোনেন্টশিংগা লন্বা তৌনখি। ইন্দিয়াগী অমিটেশ চুবেবু ইরানগী সইদ অসঘাটতবারনা মায়থিবা পীরমখি।

বোক্সর অনিমক্না মখোয় মখোয়গী হৈশিংবা কয়া অদু উৎথোকখি। লোয়ননা মখোয়গী পঞ্চ কয়া অদুসু নিংথিনা উৎখি। অহানবা রাউন্দদা অমিটেসনা খুদোংচাবা কয়া ফংখি। অদুবু অহুমশুবা রাউন্দ হৌরকপদদি মহাক্কী ওপোনেন্টনা শিজিন্নরক্লিবা টেক্লিকশিং অদুবু মহাক্না মায়োক্নবা ঙমখিদে। মরম অদুনা জুরিশিংনা মহাক্কী ওপোনেন্টকী মায়োক্তা হায়বদি ইরানগী সইদকী মায়কৈদা লেপখি।



ঙসি পাঙথোকখিবা বাউটশিংগী রিজল্ট মতুং ইন্না ফিদর ৱেটতা অব্দুল মুনিরনা পৱান গোয়েটপু মায়থিবা পীখি। মীদল ৱেটতা হরবিন্দর রানা সতিন্দর বনকুরাগী মখুৎতা মায়থিখি। ৱেলটর ৱেটতা চরনজিৎ সিংহনা য়াস কুমারবু মায়থিবা পীখি। লাইট ৱেটতা অমিটেস চুবেনা সইদ অসঘাটবারবু মায়থিবা পীখি।

নুপীগী কাংলুপ্তা ষ্ট্রোৱেটতা দাইজি সিংহনা ওলা অহমদপু মায়থিবা পীখি। হেভি ৱেটতা দাইনেল সিংহ মুহম্মদ করিমগী মখুৎতা মায়থিবা নংখি অমসুং বেন্তম ৱেটতসু অনুপ কুমারনা টোম মেক কেননাগী মখুৎতা মায়থিবা নংখি।

## অনা ইবানোভিককা ভেনস ৱিলিয়মসকা ফাইনেলদা থেংনরগনি

*ঔকলেন্দ, জনুৱারী ০৩ঃ* মতম অমদা নুপীগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা অনা ইবানোভিককা তরেৎলক গ্রান্দস্লাম টাইটল ফংবা ঙমখ্রবী অমেরিকাগী শান্নরোই ভেনস ৱিলিয়মগা ঔকলেন্দ ক্লাসিক ফাইনেলদা থেংনরগনি।

সেমি ফাইনেল মেটচতা অনিশুবা সিটতা লৈরিবা ইবানোভিকনা মহাক্কী দবল পার্টনর ওইরিবা খৃষ্টিনা ফিলিপকেনবু ৬–০, ৭–৬ (৭–৩) দা সেমিফাইনেলদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

অমরোমদা ভেনস ৱিল্লিয়মনা ৫ শুবা সিটতা লৈরিবা জেমি হম্পটোনদগী ৱার্ক ওভরদা মায় পাকপগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি। সেমিফাইনেল মেটচ অদুদা হেম্পটোননা শোকপনা মরম ওইদুনা মখা তাবা মেটচ শান্নবা ঙম্লরোই হায়রকপদগী ভেনস ৱিল্লিয়মনা ৱার্ক ওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অনা ইবানোভিকনা বেলজিমগী শান্নরোই মহাক্কী দলবসগী পার্টনর ওইরিবা খৃষ্টিলাবু ৬–০ দা মায়থিবা পীখিবা অসিদা চাওরাক্না মিনিট ২২ চঙখি। খৃষ্টিনিনানা অহানবা সেটতা দবল ফোল্ড ১৩ তাবগা লোয়ননা অনিশুবা সেটতদি মহাক্না ইভানোমিকপু মাইথিবা পীবা ঙমখি। অদুম ওইনমক ইভনোভিকনা কন্না হোৎনদুনা সেট অদু মায় পাকপগা লোয়ননা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ইভানোভিকনা অহানবা ওইনা ফ্রেন্স ওপনদা গ্রান্দস্লাম টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা ইং ২০১১ দা ৱার্ল্ড টেনিস এসোসিয়েসনগী টুর মেটচ কয়াদা মায় পাকপা ঙমখি। হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ১৩ দা লৈরিবা ইনা ইভানোভিকনা ৱার্ল্ডগী ৩৩ শুবা রেঙ্কিদা লৈরিবা ভেনস ৱিল্লিয়মগা টুর মেটচ অসিগী ফাইনেলদা থেংনগদৌরি। ৱিল্লিয়মনা হেম্পটোননা মেটচ অসিদগী মহাক্কী মশাদা শোকপনা মরম ওইদুনা ৱিদ্রো তৌরকপা অসিনা মঙোন্দা খুদোংচাবা অমদি ফংখ্রে। হেম্পটোন মমাংগী চেম্পিয়নশিপ্তা ফাইনেলিষ্ট ওইবা ঙমখিবা শান্নরোই অমনি। অদুম ওইনমক



সিদনি ইন্টরনেসনেলদা মহাক্না মায় পাকপা ঙমখি। অদুবু ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদদি মায় পাকপা ঙমখিদবা শান্নরোই অমা ওইখি।

## অষ্ট্রেলিয়ানা মঙাশুবা টেষ্টতা রন ৩২৬ তা ওল আউট ওইখ্রে

*সিদনি, জনুৱারী ০৩ঃ* ঙসি মফম অসিদা শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ইংলেন্দগী মঙাশুবা টেষ্ট মেটচকী অরোইবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়া টিম রন ৩২৬ লৌরগা ওল আউট ওইখি।

টিম অসিগী ষ্টেভ স্মিটনা লাষ্ট মেন ওইনা আউট ওইবগা লোয়ননা বেন ষ্টোককা পুন্না পার্টনর ওইদুনা রন ১১৫ লৌরম্লগা আউট ওইখি। বিন ষ্টোকনা সিক্স য়াওনা রন ৯৯ লৌবা ঙমখি। ষ্টোকনা ৱিকেট ৩ খক্তা ঙাইরবা মতমদগী টিম অসিগীদমক শান্নবা হৌরকখিবনি। মহাক্কী অরোইবা ওভর ওইনা জো রুটকী বোল অমদা স্মিটনা ওক্তুনা আউট ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমনা ইংলেন্দগী টিমদা প্রেসর পীদুনা শান্নরকখি। ইংলেন্দগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অসিদা ইংলেন্দ টিমনা ৫–০ দা ওষ্ট্রেলিয়া টিমবু মায়থিবা পীবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী স্মিটনা মেটচ অসিদা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমখি। ব্রাদ হেদ্দিননা বোল ১২৮ গী মনুংদা রন ৭৫ লৌবা ঙমখি।

## চহি ১২ ইন্দিয়াগী শুটিং কোচ ওইরম্বা টিবোর গোনজোল লৈখিদ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৩ঃ* ইন্দিয়াদা লৈদুনা চহি ১২ চুপ্না ইন্দিয়াগী শুটিং কোচ ওইরম্বা টিবোর গোনজোল ঙরাং লৈখিদ্রে। মহাক ইং ১৯৩৩ গী জনুৱারি ১৯ দা হঙ্গেরিদা পোকখি।

মহাক্না হঙ্গেরিগীদমক শুটিং টিমদা য়াওদুনা ১৯৫২ দগী ১৯৫৫ ফাওবা শরুক য়ারম্মী। চহি খরগী মতুংদা মহাক্না অষ্ট্রেলিয়াদা লাকখি। লোয়ননা মফম অদুদা লৈরগা অষ্ট্রেলিয়াগী নেসনেল শুটিং টিমদা অমদি তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াখি। মহাক্না ১৯৬৪ দা পাঙথোকপা টোকিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্না কোচ অমা ওইনা শুটিংগী লমদা চঙলকখিবসি ১৯৭৩ দগীনি। মহাক্না ইন্দিয়া টিমদা মতম শাংনা টিম অসিগী কোচ ওইদুনা লৈরম্মী।

মহাক অসি সাউন্দ ট্রেনিং সিষ্টেমগী অহানবা শুটিং কোচ অমা ওইবগা লোয়ননা নেসনেলগী ওইবা টিম শেন্বদসু অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা কোচ অমনি। মহাক্না ইন্দিয়াদা লৈখিবা মতম অসি ইং ১৯৯১ দগী ২০০২ ফাওবনি।



মতম অসিদা মহাক্না ইন্দিয়ান শুটরশিংদা অনৌবা মখলগী খুৎলাই শিজিন্নদুনা সুটিংদা হেন্না মশক থোকপা শান্নরোই ওইনবা থবক কয়াসু পায়খৎলম্মী।

মহাক্কী মখাদা লৈবাক অসিগী ফাওরবা সমরেশ জং, জাসপাল রানা, অঞ্জলি ভগবত অমসুং সুমা সিরুরনচিংবা শান্নরোই কয়া অসিবু নিংথিনা তাকপী তম্বীরম্মী। ইং ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা মেলবোর্ন কম্মনৱেল্‌ঠ গেম অদুদা সমরেসনা গোল্ড মেদল ৫ ফংখিবা লোয়ননা বেষ্ট এঠলেট এৱার্দ ফংখিবা অদুসু কোচ অসিগী মতেংদগনি।

মহাক্না লৈখিদবদা হঙ্গেরিগী পিষ্টোল কোচ সিবা গীরিকনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা মহাক্নুম্বা মীওই অমা লৈখিদবসি শুটিং হায়রিবা মশান্না অসিগী কাংলুপশিংগী মনুংদা মাংজবা অমনি। শুটিং মশান্নগী লমদা মহাক্না তোঙান তোঙানবা থৌদাং কয়াসু লৌরমখি হায়না টিবোরবু শিংথাখি।

## রামকুমার গ্রেনোলরসকী মখুৎতা মায়থিখ্রে



*চেনাই, জনুৱারী ০৩ঃ* মফম অসিদা এয়ারসেলনা স্পোন্সর তৌদুনা চখরিবা চেন্নাই ওপনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমা ওইরিবা রামকুমার ৱার্ল্ডগী ৬ শুবা সিটতা লৈরিবা মার্সেল গ্রেনোলোরগী মখুৎতা মায়থিবগা লোয়ননা মেটচ অসিদগী মপান থোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা মিখাইল য়ুঝোনিনা এয়ারসেলনা স্পোন্সর তৌবা টুর্নামেন্ট অসিদগী মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা ৱিদ্রো তৌখিবগা লোয়ননা ইটালিগী অহুমশুবা সিটতা লৈরিবা ফেবিও ফোগিনি অমদি চাইনিজ টাইপৈগী য়েন সুন লু অমদি য়েনকো টিপসেরেভিকনা বোল অমত্তা নিংথিনা ঙাকপা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি। ফোগিনিনা মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী মমাংদা মেটচতা য়ুকি ভমব্রিগী মখুৎতা ১–৬, ৫–৫ দা মায়থিবা নংখি। মহাক্না মায়থিখিবা অসিগা মান্নবা অমা হায়রগদি ইং ২০০৯ দা ইন্দিয়াগী সোমদেব দেব বর্ম্মননা এ টি পি টুরগী ক্বাটর ফাইনেলদা মায়থিখিবা অদুগুম্না মহাক্কী কোচনা ফিল্ড মনুংদা তাউৱেল লংশিল্লকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী আর রামকুমারবু ৱার্ল্ডগী ৬ শুবা সিটতা লৈরিবা মার্সেল গ্রেনোলোরনা মায়থিবা পীরমখি। চাইনিজ টাইপৈগী লুসু মহাক্কী য়েৎথংবা খুবাম অমদু নিংথিনা পায়শিনবা য়াদবনা ৱার্ল্ডগী ৫ শুবা সিটতা লৈরিবা বাসেক পোস্পিসিলগী বোল অমা ফাওবা নিংথিনা মায়োক্নবা ঙমদনা চেনাই ওপন অসিদগী লৈহৌখি।

## রোজর ফেদরর সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ব্রিসবেনি, জনুৱারী ০৩ঃ* ব্রিজ বেনি ইন্টরনেসনেল ক্বাটর ফাইনেল মেটচকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মরিনকো মাটোসেভিকপু মায়থিবা পীরম্বগা লোয়ননা ৱার্ল্ডগী টোপ সিটতা লৈরিবা রোজর ফেদররনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচ অদুদা মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়াগী মরিনকো মাটোসেভিকপু মিনিট ৫৭ কী মনুংদা য়াম্না লাকচনা ৬–১, ৬–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। মারিনতোনিনা ৱাইল্ড কার্দতা চঙলকখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সেম গ্রোথপু ৭–৫, ৭–৬ তা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙলকখিবনি। ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অসিদা মহাক্না ৱার্ল্ডগী নম্বর ৱান অসিগী মখুৎতা ৬–১, ৬–১ দা মায়থিবা নংখিবনি।

অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেলদা নিসিকোরিনা ক্রোট মেরিন সিলিকপু মায়থিবা পীরমদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। মহাক্না সিলিকপু ৬–৪, ৫–৭, ৬–২ দা মায়থিবা পীরমখিবনি। রোমানিয়াগী শান্নরোই অসিনা মমাংগী মেটচতা মেরুস কোপিনবু ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরমদুনা ক্বাটর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ফেদররনা সেমি ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবা শান্নরোই নিসিকোরি অসি মহাক্কী পুন্সিদা অহানবা ওইনা থেংনগদবা শান্নরোইনি। টেনিসকী ওইনা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট কয়াদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ফেদররনা নিসিকোরিগা মেটচ অমা ফাওবা মমাংদা শান্নখিদ্রি হায়না স্বিজগী শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়ান হোকি লিগ হৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৩ঃ* হোকি ইন্দিয়ানা ঙসি লাউথোকখিবা সেদ্যুল্ডগী মতুং ইন্না হোকি ইন্দিয়ান লিগ অসি চৎলিবা থা অসিগী ২৫ দা মোহালিদা হৌদোকপগা লোয়ননা রাঞ্চিদা মথং থাগী ২৩ দা লোইশিল্লগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসি লাইভ ওইনা ষ্টার স্পোর্টসতা উৎনবগী থৌরাং লোইরে। লিগ অসিদা পুন্না মেটচ ৩৪ লৈগনি। মসিদা চাওরাক্না নুমিৎ ৩০ নি লৌগনি হায়না হোকি ইন্দিয়াগী মচিন চৎপা অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মুহালি, রাঞ্চি, ন্যু দিল্লি, মুম্বাই, লক্ষ্ণৌ অমদি ভুবনেশ্বরদা টুর্নামেন্ট অসিগী তোঙান তোঙনবা মেটচশিং শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওপনিং মেটচ মোহালিদা জনুৱারি ২৫ দা শান্নগনি।

হৌদোকপা নুমিৎ অসিদা জে পি পঞ্জাব ৱারিয়রগা ২০১৩ গী রনরসঅপ তাখ্রবা দিল্লি ৱেভরাইদরগা শান্নগনি। দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাঞ্চি রাইনোজগা উত্তর প্রদেশ ৱারিয়রসকা তাং ২৬ তা শান্নগনি। অনিশুবা জে পি পঞ্জাবকী মেটচ ওইনা তাং ২৬ অসিমক্তদা মোহালিদা মুম্বাই মেজিক্সিয়ানগা শান্নগনি।

মমাংগী চহিগী ফাইনেল মেটচ ওইনা রাইনো অমদি ৱেভরাইদরগা শান্নখিবা মেটচ অদু তাং ২৭ তা অমুক হন্না উবা ফংগনি। মথংগী নুমিৎতা কলিঙ্গ লেন্সরগা জে পি পঞ্জাব ৱারিয়রগা কলিঙ্গ লেন্সরগী হোম গ্রাউন্দ ওইনা ভুবনেশ্বরদা শান্নগনি। মুম্বাইগী অহানবা মেটচ ওইনা মখোয়গী টুরদা জনুৱারি ২৯ দা মুম্বাই মেজিসিয়ানগা উত্তর প্রদেশ ৱারিয়ারগা থেংনগদৌরি।

হোকি ইন্দিয়ান লিগ অসিগী সেমি ফাইনেল অমদি ফাইনেল মেটচশিং অদু রাঞ্চিদা ফেব্রুৱারি থাগী তাং ২২ অমদি ২৩ দা উবা ফংলগনি হায়রি।

## রেফ্রিশিংনা মেটচশিং নিংথিনা পাঙথোক্কনি ঃ ব্লেট্টর

*বেরনে, জনুৱারী ০৩ঃ* ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সেপ্প ব্লেট্টরনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী চহি অসিগী জুন থাদগী ব্রজিলনা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপগী মেটচশিং অসি মেটচ অদুদা কন্দক্ট তৌগদৌরিবা রেফ্রিশিংনা নিংথিনা সোল্ব তৌদুনা লোইশিনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসি ফিফাগী লাষ্ট এদিসন ওইনা মহাক মশামক্না ইবা ফিফা ৱিকলি হায়না মিংথোনবা হেন্দবুক অমা ফোঙবগী থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ৱার্ল্ডগী ওইনা পাঙথোকপা অচৌবা ফুটবোলগী কুম্মৈ অসিদা খনগৎলবা টিম ৩২ অসিগী মনুংদা শান্নরোই খরনা মখোয়গী লৈবাক্কী ওইনা য়েংদুনা মনিং মখা তম্না শান্নরকপা কয়া অদু নিংথিনা য়েংশিন্নবা তোঙান তোঙানবা মখলগী টেক্লিক কয়া শিজিন্নদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা অমদি মেটচ কন্দক্ট তৌগদৌরিবা রেফ্রিশিংদা নিংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্নবগীদমক কেমেরানা কেপচর তৌদুনা রি প্লে কয়া মেটচ কম্মিস্নারগী মমাংদা লৈরিবা মোনিটর অদুদা নিংথিনা উৎহনগনি।

মেটচ কম্মিস্নারনা পীরকপা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না রেফ্রিশিংনা বোল পুরিবা শান্নরোই অদুদা ওপোনেন্ট শান্নরোইশিংনা ফোল্ড তৌবশিং অদু নিংথিনা খঙদোক্লবা মতুংদা মখোয়গী মথক্তা লৌখৎপা য়াবা এক্সন লৌখৎকনি। অয়াম্বা মতমদা রেফ্রিনা বোল নিংথিনা শান্নহন্নবগী ৱাফম থল্লি। য়াম্না থিনা শোকপদা রেফ্রিনা মেটচ অদু লেপহন্নবা ৱাফম খঙহনবা লৈখ্রে হায়রি।

## মাইকেলগী ৪৫ শুবা মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

*গ্রেনোবেল, জনুৱারী ০৩ঃ* ফোর্মুলা ৱানগী রাইদর অমা ওইনা হন্দক থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমনা মরম ওইদুনা কোমাদা লৈরিবা জর্মনিগী রাইদর মাইকেল সচুমার্চরকী ৪৫ শুবা মপোক নুমিৎকী পালন পাঙথোকখ্রে।

পালন অসি পাঙথোকপদা শান্নরোই অসিবু পামজবা ইটালিগী তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা মহাক্কী ৪৫ শুবা মপোক কুমওন অসিবু হোস্পিটালগী খাথংবা শরুক্তা লাক্তুনা শরুক য়াখি। শান্নরোই অসিনা ইটালিগী মহুৎ শিন্দুনা টুর্নামেন্ট কয়াদসু শরুক য়াখিবা অসিবু নিংশিংবা ওইনা ইটালিগী ময়াম্না মহাক্কীদমক মপোক নুমিৎ পালন অসিদা ঈশ্বরগী মফমদা মহাক্না হৌজিক কোমাদা লৈরিবা অসিবু ফগৎলক্নবা থৌনিজখি। সচুমাচরগী মপোক নুমিৎকী থৌরম অসিদা মহাক্কী লোয়নবী ক্রোনিয়াসু শরুক য়াখি।


**ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)**
URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) | 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) | 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) | 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) | 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) | 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) | 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) | 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) | 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) | 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) | 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) | 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) | 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) | 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) | 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) | 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) | 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) | 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) | 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) | 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) | 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) | 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) | 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**
TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726